ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

নেসনল স্পোর্টস যুনিভর্সিটিগী মতাংদা থোকখিবা মোব অমদা শোকখিবা ভি দি এফ পর্সনেল আর কে জিলাসনাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না শেলগী তেংবাং পীখিবা



ইপুম পাৎ ফুমজিন্দুনা পাৎ অসিগী অকোয়বদা রিং রোদ শাননবা লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খুরাই কোন্সম লৈকায়দা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফম্বা



লামায় ২

বিজয় দিবস থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুর মিজোরাম বোর্দরদা লৈবা ৩৪শুবা অসাম রাইফলসন্না শীন্দুনা মহৈরোয়শিংদা ইন্দিয়ন ফোর্সশিংনা শীজিন্নবা খুৎশু-খুৎলায়শিং য়েংহনখিবা



দিষ্ট্রিক্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ এদ্যুকেসন এন্দ ট্রেনিং (দাইট) সেন্টর ইম্ফাল ইষ্টকী হান্নগী প্রিন্সিপাল আর কে সচিরঞ্জনবু শীন্দোকখিবদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মহৈরোয়শিংনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা


লামায় ২

Vol. 44, Issue No. 260 | শগোলশেল, পোইনুগী ৩ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, December 17, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## ওক্রম ইবোবী এন্টিসিপেটরি বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): কোংগ্রেসকী লুচিংবা অমসুং ওপোজিসন লিদর ওক্রম ইবোবীনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম দি এস) কী চ্যেরমেনগী ফমসু পুরম্বগা লোয়ননা কুমজা ২০০৯গী জুন ৩০দগী জুলাই ৬, ২০১৭ ফাওবগী মনুংদা সোসাইটি অসিদা চাওখৎ থৌরাংগীদমক থাদখিবা লুপা ক্রোর ৫১৮গী মনুংদগী লুপা ক্রোর ৩৩২ লান্না শীজিন্নখি হায়বগী চার্জদা সী বি আইনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবগী মথক্তা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ন্যু দেল্লি) নসু কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিল্লকপদগী মসিদগী এন্টিসিপেটরি (প্রী এরেষ্ট) বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবা ওক্রম ইবোবী, এম এল এগী প্রেয়র হায় কোর্টনা অয়াবা পীদুনা এন্টিসিপেটরি বেল পীখ্রে।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা লৌখৎপা কেসতগী এন্টিসিপেটরি বেল পীবিনবা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অদুগী নম্বর - এ বি - ৪২ ওফ ২০২০ নি। পিটিসন অসি কোর্ট অসিগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## গভর্ণরনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): ইনৌ নৌনা পুন্না সিট ১৭২৫ হাপচিন্দুনা নেসনল কেদেট কোর মণিপুর চাউথোকহল্লকপদা ঙসি মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে।

ভিদিও কনফরেন্সিং অমদা ৱা ঙাংলদুনা মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিগী বোর্দর এরিয়াশিংদা এন সী সী এক্সপান্দ তৌরগনি হায়না লাউথোকখিবগী মতুংইন্না এন সী সী চাউথোকহনবগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি। এন সী সী চাউথোকহল্লিবা অসিনা মণিপুরগী বোর্দর এরিয়াশিংদা লৈরিবা স্কুল ১৬ অমসুং কোলেজ ৬তা কান্নহল্লগনি হায়খি। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউরবা য়ুথ ওর্গনাইজেসন এন সী সীনা তৌরিবা কান্নরবা থবকশিংবু গভর্ণরনা থাগৎখি।

HL Poll

Q: Differently abled person singda interest free loan pinanaba leingakna paikhatlakliba thourang asi afaba khong-thangni hai loubra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Examinationda aranba touba sing matik chaba cheirak phanghannaba leingakna akhannaba law ama semhanningbra ?

Yes 92% No 8%

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৮.০২ °C

খ্বাইদগী ঈংবা ০৬.০৪ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৫৪

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩০

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- হাই ইসসু ইসসু, নচা-নশু, নুপী-অঙাং লোইনা পুরগা হল্লোহে কোরোনা !



- হোইমাও নোংমাংখা মনানা কল্লক্লে অয়ো !

# আই এস বি টিবু মতমগা চুনবা পব্লিক বস ষ্টেন্দ ওইহন্নবা হায় কোর্টনা লৈঙাক্তা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈরিবা ষ্টেট অসিগী লেমজনীংঙাই ওইহনফম থোল্লবা ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনস (আই এস বি টি) অমসুং মসিগী গেট চঙফমগী অকোয়বদা লৈরিবা এপ্রোচ রোদশিংগী নীংবা কায়নীংঙাই ওইরবা ফীভমশিং শেমজিন্দুনা মীয়ামগীদমক ফগৎহনবীনবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ফাইল তৌরকপদগী কোর্টনা পিটিসন অসিগী মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা আই এস বি টি অসি ষ্টেন্দর্দ পব্লিক বস ষ্টেন্দ অমা ওইবদা চঙলিবশিং লৌখৎলগা মসিবু থবক্তা ওন্থোক্লে হায়বগী কমপ্লাইন্স রিপোর্ট পীরক্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।



পি আই এল অসি খুরাই থাংজম লৈকায়দগী লৌরেম্বম রেবিকা চনু (৪৫) মপুরোয়বা এলাংবম লোকেশ্বরনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী পি আই এল অসিগী নম্বর ৪৪ ওফ ২০২০নি।

মমাঙ থাগী ১৮দা মহাক্না ফাইল তৌরকখিবা পি আই এল অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (ট্রান্সপোর্ট), দিরেক্টর (ট্রান্সপোর্ট) অমসুং চীফ এঞ্জিনিয়র (পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্টমেন্ট) নি।

পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা আই এস বি টি অসি ঙসিদগীনা চহী ৯ লোমগী মমাঙ কুমজা ২০১১গী দিসেম্বর ৩দা মতম অদুগী লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ডা. মনমোহন সিংহ অমসুং মতম অদুদা লৈখিবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এলাইএন্স (য়ু পি এ) গী চ্যেরপর্সন সোনিয়া গান্ধীনা ইনোগ্যুরেট তৌরম্বনি। অদুম ওইনমক বস টর্মিনস অসি শঙ্গারমখিবা মতম অদুদা মসিবু মণিপুরগী মীয়ামদা খুৎশিন্নবগী ফীভমদা লৈখিদবদগী মফম অসি মতম শাংনা পব্লিক টোইলেট অমা ওইদুনা লাকখিবনি। অদুবু শঙ্গারল্লবা মতুং চহী ৫ রোম চোম্থরগা নবেম্বর ১৩, ২০১৬তা মতম অদুগী মণিপুর লৈঙাক্কী ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ওইখিবা ডা. খুমুকচম রতনকুমারনা ওফিসল ওইনা আই এস বি টি অসিবু লোঙ্ঙ তৌদুনা মসিগী থবক থৌরমশিং হৌরকখিবনি। লোয়ননা বস টর্মিনস অসিগী মেন্টিনেন্স অমসুং মেনেজমেন্টকীদমক য়ুনিফাইদ মেট্রোপোলিটান ট্রান্সপোর্ট ওথোরিটি (য়ু এম টি এ) কৌবা প্রাইভেট পার্টি অমদা খুৎশিন্নখিবনি।

পার্টি অসিনা আই এস বি টিগী মেনেজমেন্ট অমসুং মেন্টিনেন্সকী থবক থৌরম পূন্নমক পাঙথোক্লুবা খুৎশিন্নখিবনি। তশেংনমক আই এস বি টি অসিনা থবক হৌরকপদগী মফম অসিদা ইন্ত্রা ষ্টেট অমসুং ইন্টর ষ্টেট বসশিং পার্ক তৌরগদবনা ইম্ফাল সিটিগী ট্রাফিক কঞ্জেসনগী চাদা ৭০ নৎত্রগা ৮০দি হন্থহল্লগনি খন্নরম্বনি। অদুবু মফম অসিদা লৈরিবা টোইলেট অমদি অতোপ্পা পব্লিক য়ুটিলিটি সর্ভিসশিং মতম চানা রিপ্যারিং অমসুং রিনোভেসন তৌদবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক থোরকপদগী নুমিৎ কয়ানি চূপ্পা ত্রক ময়াম খামজিন্দুনা মফম অসিদা লৈরকখি। মসিনা মরম ওইরদুনা বস টর্মিনস অসিগী মনুং অমসুং মসিগী অকোয়বগী মফমশিংদা পোট হোলশিং লৈরকপগা লোয়ননা চঙফমগী লম্বীশিংসু অকায় অতোয় থোকহল্লকখি হায়রি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# নুমীৎ খূদিংগী দ্রগ ফাবা ঙম্লিবসি মীয়াম্না পাউ পীরকপননি : সী এম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): কুমজা ১৯৭১দা থোকখিবা ইন্দো-পাকিস্থান ৱারদা থৱায় কৎথ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু ষ্টেটকী থাক্তা বিজয় দিবস থৌরম পাঙথোকখ্রে।




মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বক্কীট হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, ষ্টেটসিদা লৈরিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মথৌ নীংথিনা তৌরি। ষ্টেট ফোর্স খক্তা নত্তনা অসাম রাইফলস, বি এস এফ অমদি সী আর পি এফশিংসু মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্লি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা পাউ ফাওনদুনা লোনা য়াদবা থবক তৌরম্বশিং অথুবা মতমগী মনুংদা ফাগৎপা ঙম্লে। মীওইবা হায়বসি শোয়দবা ঙম্বা অমত্তা য়াওদে। অদুবু হৌখিবা চহী ৩ লোম অসিদদি লমদম অসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মরম ওইরগা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিদ্রিবা খল্লি। মসিগীদমক পুলসিকী অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংবু থাগৎলি। লৈবাক থুগায়গে হায়বা, নেসনল ইন্টিগ্রিটিদা চেলেঞ্জ তৌরকপা, ষ্টেটকী ঈং-তপ্পা ফীভম কায়হন্ননবা হোৎনরকপা খূদিংমকপু লোগী মতুংইন্না চপ চানা থেংনগদবনি।

মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নুমীৎ খূদিংগী ময়াই কাবা দ্রগ ফাবা ঙম্লিবা অসি মীয়াম্না পাউ পীরকপদগীনি। মতৌ অসিনা তাকপদি মীয়াম্না পুলিস য়াওনা সিক্যুরিটি ফোর্স খূদিংমক্তা কোওপরেসন পীরে তাকপনি। পুলিসশিংনসু অহিং-নুংথিল খাক্তনা থবক তৌবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরমগনি। অদুবু ময়াই কাবা দ্রগ থিংননবা ঐখোয়গী পান্দম ফংদ্রিবা ফাওবদি হনবা য়াদে। পুলিসকা পব্লিক্কী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎলক্লে। পুলিসশিংবুসু মীয়াম্না থাগৎলকপা কয়া থেংনরে।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পন্দুনা লৈরুরবসু হৌজিক্তি খরা ফরক্লবনিনা খুন্মাং য়াংশিন্ননবা হোৎনরি। লৈঙাক পায়বদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# লৈখিদবা মশীং অনী হেনগৎলক্তুনা ৩২৯ শুখ্রে, কেস ৮১ নৌনা থেংনখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনবগী চাং খরা খজিক হন্থরক্লবসু লৈখিদবা মশীং অনী হেনগৎতুনা ৩২৯ শুখ্রে। কেস ৮১ নৌনা থেংনখ্রে।

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থৌবালদগী মশাগী চহী ৫০ শুরবা নুপা অমা অমসুং ককচিংদগী মশাগী চহী ৪৪ শুরবা নুপা অমা পুন্না মীওই অনী লৈখিদ্রে। মীওই অনী অসি রাজ মেদিসিটি অমসুং জেনিমস হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। মণিপুরগী ওইনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# রিটর্ন কেন্দিদেট ওইবগী ওর্দর হায় কোর্টনা চৎনহনখিদবা জজমেন্টকী মায়োক্তা সুরচন্দ্রনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

## হায় কোর্টতা চথরিবা দিসক্কালিফিকেসন কেস মায় পাক্লবদি সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলবা য়াগনি হায়রকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কোংগ্রেসকী টিকেটতা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা এক্স এম এল এ য়েংখোম সুরচন্দ্রবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১ ওফ ২০১৭কী মমাঙ থাগী ৫দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমদা এ সী অসিগী রির্টর্ন কেন্দিদেট (এম এল এ) ওইহনখিবা ওর্দরবু চৎনহনখিদবগী মায়োক্তা এক্স এম এল এ অসিনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎখ্রে অদুবু লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্ট অসিনা হৌজিক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা লৈরিবা মহাকপু দিসক্কালিফাই তৌখিবগা মরী লৈনবা কেস অদু মহাক্না ঙম্লবদি এপেক্স কোর্ট অসিদা অমুক ৱাকৎলবা য়াগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা খঙহল্লকখ্রে।

এক্স এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্রগী মথক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১ ওফ ২০১৭ অদুগী পিটিস্নরনা পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা বি জে পিগী মীরেপ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনি। পিটিস্নর অসিনা ৱাকৎলকখিবদা মীখল অদুগী মীরেপ ওইনবগীদমক এক্স এম এল এ সুরচন্দ্রনা মরী লৈনবা রিটর্নিং ওফিসরদা ফাইল তৌখিবা মহাক্কী নোমিনেসন পেপরদা মীরেপ ওইরিবা মহাক্কী মায়কৈদগী হায়ফম থোকপা/ফোঙদোকফম থোকপা এসেটশিং শুনা হায়খিদে। থৌওং অসি রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী মরী লৈনবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# এন আই এনা সলাইগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ক্রিমিনেল আপিলগী জজমেন্ট রিজার্ভ তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা সলাই গ্রুপ ওফ কম্পেনি অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী মেনেজিং দিরেক্টর অমদি জেনরেল সেক্রেটরি এলাংবম ব্রোজেন্দ্রোনা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর ৫৫ ওফ ২০২০গী জজমেন্টদা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুর মাইবম মনোজকুমারনা মমাঙ থাগী ২দা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী এন আই এনা ফ্রীজ তৌদুনা থল্লকখিবা একাউন্টশিং শীজিন্নবা য়াহনখিবা অমসুং ওফিসশিং হাংদোকহনখিবগী মায়োক্তা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অসিনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল আপিল অমা অমসুং মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস (ক্রিমিনেল আপিল) অনীগী ৱায়েল চথরবা মতুংদা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজার্ভ তৌদুনা থমখ্রে।

ঙসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরন অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চনা 'ওর্দর পার্ট হর্ট' কী কেসতা লৈরক্লবা ক্রিমিনেল আপিলশিং অসি লিষ্ট তৌখি। দিভিজন বেঞ্চনা মেটুরশিং অসি লৌখৎলকপদা হান্না পাঙথোকখিবা ৱায়েলদা সলাইগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা সবমিট তৌখিবা আর্গ্যুমেন্টশিংগা মরী লৈননা এজেন্সি অসিগী কাউন্সেলনা মহাক্কী ওইবা পাউখুমশিং পীখি। মহাক্না কোর্টতা সবমিট তৌখিবশিংগী মনুংদা হৌজিক সলাই অমসুং স্মার্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# 'কৌব্রু ইপা-ইমাগী লাইশঙ শাবদা কনাগুম্বা লূপ অমত্তনা অয়েৎ-অপন পীবীগনু'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): মৈহৌরোলদগী ইপা-ইপুশিংনা থাজনা খুরুমদুনা লাক্লবা চীংবুরোই তম্বুরোই অনীগী হৌরকফমপ ওইরিবা অৱাং কৌব্রু চীংশাং অসিগী চীংদোলদা কৌব্রু ইপা-ইমাগী শঙলেন অমা শাননবা হোৎনজরিবা অসিদা কনাগুম্বা লূপ অমত্তনা অয়েৎ-অপন পীবীগনু হায়না মহৌশা কনবা লূপকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মহৌশা কনবা লূপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইরমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা য়েক তরেৎ লৈবা ফুরুপ খূদিংমক্না ঐখোয়গী হৌরকফমনি, শাৎফমনি থাজদুনা, নীংজদুনা, খুরুমজদুনা লাক্লিবা মফম অসিদা হান্নদগী শঙলেন লাইশঙ লৈরম্বা অদু অমুক শাদুনা, শেমজিন্দুনা হেন্না মশক থোক্না থম্বা হায়বসি মচা-মশু ওইবা ঐখোয়গী থৌদাংনি। ঐখোয়গী হৌরকফমনি হায়বসি পুৱারীনা খুদমনি। লোয়ননা ইপা-ইপুশিংগী মতমদগী ঙসি ফাওবা মচা-মশু ওইবা ঐখোয়না লাই খুরুম্নবা কারিবা অসিনসু খুদমনি। চীংবুরোই তম্বুরোই অনীগী হৌরকফম মালেমদা মশক তাকপা হায়বসি ঐখোয়গী লেঙফদ্রবা রাইটনি। ঐখোয়গী থাজবদা কনা অমত্তনা খুৎ লামশিনবীরক্কনু, খুৎ লামশিল্লকপা হায়বসি ফুরুপ অদুগী হৌরকফপম মুখৎলগে হায়বগা চপ মান্নে। অদুনা মাগী মাগী হৌরকফম কঞ্জবা হায়বসি মালেমগী ওইবা অমসুং ইন্দিয়াগী লোদা ময়েক লানা ইদুনা লৈরবা চৎন-পথাপনি। ঐখোয়গী থাজবা অসিনা ফুরুপশিং অমসুং লাইনিংগী মশক মালেমদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# সী বি আইনা সিনিয়র একাউন্ট ওফিসর অমগী য়ূমদা র‍্যেদ চথখ্রে

## শেল ওইনা লুপা লাখ ৫, লুপা লাখ ১৫ রোমগী সনা অমদি লম লৈবগী চে-চাংশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): চৎলিবা কুমজা অসিগী হৌখিবা ওক্টোবর ১৬তা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) গী এন্টি করপসন ব্যুরো ইম্ফাল ব্রাঞ্চনা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন ১৩ (২), ১৩ (১) (বি) গী মখাদা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা একাউন্টেন্ট জেনরেল (এ জি) ওফিস, মণিপুরদা থবক তৌবা কোঞ্জেংবম ইবোথেম কৌবা ওফিসর অমগী য়ূমদা র‍্যেদ চথদুনা মহাক্কী ইনকমদগী অহেনবা লুপা ৫৮,৭৫,৩২১ রোমগী পোৎলমশিং পৈশিল্লম্বা থেংনরে হায়খিবা থৌদোক্কী মতুংদা ওফিস অসিগী অতোপ্পা সিনিয়র একাউন্ট ওফিসর অমগী য়ূমদসু র‍্যেদ চথখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা, ঙসিগী ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অসিগী ওফিসর অমসুং পর্সনেলশিংনা শরুক য়াবা র‍্যেদ অদু উরিপোক অহন্থেম লৈকায়দা লৈবা সিনিয়র একাউন্ট ওফিসর বুধিচন্দ্র নাওরেমগী য়ূমদা চথখিবনি।

সী বি আইগী টিম অসিনা স্পেসল জজ (প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট), ইম্ফাল ৱেষ্টতা র‍্যেদ অসি চথবদা অয়াবা পীবিনবা তৌরকখিবা প্রেয়র অমদা কোর্ট অসিনা ঙরাং অয়াবা পীখিবদগী র‍্যেদ অসি ঙসি অয়ূক পুং ৭.৩০ রোম তারকপদগী হৌনা চথখিবনি হায়রি।

ঙসি নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপা ফাওবদা চথখিবা থিজিন হুমজিনবগী থবক ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### খঙহঞ্জবা

*কোরোনাগী চৈথেং ফংলবা চৎলিবা চহী অসিনা লোইশিল্লকপসিদা হুইয়েন লানপাউবু পাবিরিবা নুংশিজরবা রিদরশিংগীদমক্তা খুদোল ওইনা বেঙ্গালি ময়েক অমসুং মীতৈ ময়েক্তা ফোঙবা পাউচে অনী অসি পুন্না মীয়ামদা খুৎশিন্নজরি। পাউচেগী মমলদা করিসু অহোংবা লৈজরোই। ইকাইখুম্নজরিবা হুইয়েন লানপাউবু পাবিরিবা রিদরশিংনা পাউচে অনী অসি করিগুম্বা পুন্না ফংবিদ্রবদি মখাগী মোবাইল নম্বর ৮৭৩০৮২২২৫৬ অসিদা কমপ্লেন তৌবিরকউ। কমপ্লেন হেক ফংবগা অথুবা মতমদা অদোমগী য়ুমদা বেঙ্গালি ময়েক অমসুং মীতৈ ময়েক্কী পাউচে অনী অসি য়ৌহল্লক্নবা হুইয়েন লানপাউগী টিম্না হোৎনজগনি।*

# থক্লনবা অফবা তোতি ঈশিং চহী ২০/৩০ হেন্না ফংদনা লৈরকপনা খুঞ্জাশিং পেন্নদ্রে

**ডা. খাইদেম অথৌবা**

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা জল জিৱন মিসনগী মখাদা কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা মণিপুরগী য়ুমথোং খুদিংদা থক্লনবা তোতি ঈশিং ফংহনগনি হায়না থাজবা পীখ্রবসু ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচনবা লম্লাই এ সীগী খুঙ্গংশিংগী চাদা ৯৯দি ঙসিসু হৌখিবা চহী ২০/৩০ হেন্না তৌতি ঈশিং ফংদবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।




লম্লাই এ সী অসিগী মনুংদা কুমজা ২০১৭গী রিকোর্দকী মতুংইন্না ভোটর মশিং ২৭০৮৫ রোম লৈ। ষ্টেট অসিগী মরুওইবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুন্সি অমসু ওইরিবা মায়কৈ অসোমগী মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী মনুংদা য়াম্না মরুওইরিবা থক্লনবা ঈশিং ফাওবা ফংহনবা ঙমদবগী থৌওং অসিদা মীয়াম্না লৈঙাক অমদি এ সী অসিগী এম এল এদা খম থেংনা পেন্নদ্রে। এ সী অসিগী মনুংচনবা সৈজাং, লৈমখোং মপাল, শম্বুংখোক, য়াইঙঙপোকপি, নাপেৎ, কামেং খুঞ্জাউ, নোংঙাদা, তেল্লৌ, চানা, চিংনুংকোক, নোঙ্গ্রেন, ককচিং, নোংদম, ওকসু, নিংথেমচা খুন, কাঙউজিংনচিংবা মফমশিংদা শাংলবা চহী অসি ...মখা লামায় ৩ কলম ২



HL-B/6509/9th Dec. to 6th Jan.